# ইন্দিয়া পুম্বগী পাঙথোকখিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক মণিপুরদসু মায় পাক্লা পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (ঐচএনএস): ঙসি ইন্দিয়া পুম্বগী ওইনা সেন্ট্রেল ট্রেদ য়ুনিয়ন ১০ অমদি ইন্দিপেন্দেন্ট ফেদরেসনশিংনা পুন্না কৌরিবা পুং ১২গী জেনরেল ষ্ট্রাইক মণিপুরদা ঈংনা-চিক্না অশোয়-অঙাম য়াওদনা মায়পাক্লা পাঙথোকখ্রে হায়না কো-ওর্দিনেটিং বোদি ওফ ট্রেদ য়ুনিয়ন্স মণিপুরগী কনভিনর ক্ষেত্রিময়ুম সান্তনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, মণিপুরদসু জেনরেল ষ্ট্রাইক ঈংনা-চিক্না অশোয়-অঙাম য়াওদনা মায়পাক্লা পাঙথোকখিবগীদমক ষ্টেট অসিগী লৌমি-শিন্মি অমদি থবক শুরি-নোম্লিবা খ্বাই মীয়াম্বু থাগৎপগী মীফম অমসু বি টি রোদতা লৈবা ইরাবত ভবনদা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা এ আই টি য়ু সী মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি এল সোটিনকুমার, সী আই টি য়ু মণিপুরগী সেক্রেটরি ক্ষেত্রিময়ুম সান্তা, টি য়ু সী সী মণিপুরগী সেক্রেটরি খোমদ্রাম গ্যানেশ্বর, বি এস এন এল ই য়ু এন ই- সার্কলগী সেক্রেটরি ক্ষেত্রিময়ুম সাহেব অমদি বি কে এম য়ুগী সেক্রেটরি এন জাতিশ্বরসু শরুক য়াখি হায়রি।

মীফম অদুদা কো-ওর্দিনেটিং বোদি ওফ ট্রেদ য়ুনিয়ন্স মণিপুরগী চেয়রমেন এল সোটিনকুমারনা ফোঙদোকখিবদা ঙসিগী জেনরেল ষ্ট্রাইক অসি মায় পাক্লে। বেঙ্কশিং, পোষ্ট ওফিস, বি এস এন এল, ইন্সুরেন্স, মেদিকেল রিপ্রজেন্টেটিভস, স্কিল ৱর্কস, সেন্ট্রেল অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী এমপ্লোয়ীশিং, এ জি, ট্রান্সপোর্ট ৱর্করশিং, ষ্ট্রিট ভেন্দরশিং, কন্সট্রক্সন ৱর্করশিং, নন-ওর্গনাইজেসন ৱর্করশিং, কৈথেল-দুকান ফম্বিশিং লোয়ননা মখল খুদিংগী শিন্মিশিংনা শরুক য়াখি। জেনরেল ষ্ট্রাইক পাঙথোকপা অদুদা পুন্না লৌমি শিন্মি অমদি ইমপ্লোয় লাখ মঙারোম্না শরুক য়াখি হায়রি।

# সলাইগী ওফিস হাংদোকহনখিবা ওর্দরগী মায়োক্তা এন আই এনা ফাইল তৌরকপা এপ্লিকেসন দিসমিস তৌখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (ঐচএনএস): মতম অমদা ইম্ফালগী শগোলবন্দ তেরা লৌক্রাকপম লৈকায়দা লৈবা সলাই গ্রুপ ওফ কম্পেনিজ অমসুং মসিগী স্মার্ট সোসাইটিগী থৌ পুবা অমা ওইরমখিবা নারেংবম সমরজিৎ অমসুং মহাক্কা লোয়নবা য়াম্বেম বিরেনগী মথক্তা নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ) না লৌখৎপা কেসকী ইনভেষ্টিগেসনদা সলাই অমসুং স্মার্ট সোসাইটিগী ওফিসশিং অমসুং মসিগী একাউন্টশিং থিংজিন্দুনা থম্লকখিববু হাংদোক্নুনা শীজিন্নবদা অয়াবা পীখিবা স্পেসল জজ (এন আই এ), মণিপুরগী ওর্দরবু চৎনহনবীদনবা ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সি অসিগী মায়কৈদগী ফাইল তৌরকখিবা এপ্লিকেসন কোর্ট অসিমক্লা দিসমিস তৌখ্রে।

ঙরাং স্পেসল জজ (এন আই এ), মণিপুর মাইবম মনোজকুমারগী কোর্টনা দিসমিস তৌখ্রবা এপ্লিকেসন অদু ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সি অসিগী ইন্সপেক্টর ওফ পুলিস/এ আই ও, গুৱাহাটিগী ইম্ফাল ব্রাঞ্চকী দিপক থাপা কৌবা ওফিসর অমনা ফাইল তৌরকখিবনি।

মহাক্কী এপ্লিকেসন অসিদা স্পেসল জজ অসিনা থা অসিগী ২দা পীখিবা ওর্দর অদুনা অয়াবা পীখিবা সলাই অমসুং স্মার্ট সোসাইটিগী ওফিসশিং হাংদোকপা অমসুং মসিগী ফ্রিজ তৌদুনা থম্লকখিবা একাউন্টশিং শীজিন্নবদা অয়াবা পীখিবা অদু চৎনহনবীদনবা হায়জরকখিবনি।

পিটিসন অসিগী মতুংইন্না কোর্ট অসিনা ক্রিমিনেল মিসেলিনস কেস নম্বর ৭১ ওফ ২০২০ লৌখৎতুনা খন্নখি। কোর্টনা ঙরাং কেস অসি লৌখৎলকপদা এন আই এগী মায়কৈদা লেপখিবা স্পেসল পব্লিক প্রোজিক্যুটর অমসুং ক্রিমিনেল মিসেলিনস কেস অসিগী রেসপোন্দন্টশিংগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলগী ৱাফম তাখি।

কোর্টনা নাকল অনীগী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা এন আই এগী মায়কৈদগী ফাইল তৌরকখিবা এপ্লিকেসন অসি দিসমিস তৌখিবনি। লোয়ননা কোর্ট অসিনা থা অসিগী ২দা ক্রিমিনেল মিসেলিনস কেস নম্বর ৫৫ ওফ ২০২০গা মরী লৈননা পীখিবা ওর্দরশিংগী দিরেক্সনশিং অদু হয়েং (নবেম্বর ২৭, ২০২০) ফাওবগী মনুংদা থবক্তা ওন্থোরক্নবসু দিরেক্সন পীখি।

ঙরাং পীখিবা কোর্ট অসিগী ওর্দরদা এন আই এগী মায়কৈদগী হায়কোর্ট ওফ মণিপুরদা ক্রিমিনেল অপিল নম্বর ১২ ওফ ২০২০ অমসুং মিসেলিনস কেস (ক্রিমিনেল আপিল) নম্বর ৩০ ওফ ২০২০ ফাইল তৌদুনা কোর্ট অসিগী ওর্দর অদুগী মায়োক্তা আপিল তৌখিবনি। লোয়ননা থা অসিগী ২দা কোর্টনা পীখিবা ওর্দরশিং অদু চৎনহনবীদনবা মরক্কী ওইবা ওর্দর অমা পীবিয়ু হায়নসু প্রেয়র তৌখিবনি হায়রি।

হায়কোর্ট ওফ মণিপুরনা ক্রিমিনেল আপিল অমসুং মসিগা মরী লৈনবা মিসেলিনস কেস অদু থা অসিগী ৩দা লৌখৎতুনা খন্নরগা আপিলশিং অসিগী রেসপোন্দন্টশিংদা চয়োল অনীগী মনুংদা পাউখুম পীরক্নদবা নোটিশশিং ইস্যু তৌখিবনি। লোয়ননা এন আই এগী মায়কৈদগী মরক্কী ওইবা ওর্দর অমগীদমক তৌরকখিবা প্রেয়রগী মতাংদা খন্ননবা থা অসিগী ৫দা মেট্টর অসি লিষ্ট তৌনবা ফিক্স তৌখিবনি।

অদুম ওইনমক থা অসিগী ৫দা পাঙথোক্কনি লেপ্লম্বা ইন্টরিম ওর্দরগী হিয়ারিং অদু এদজোর্ন তৌখিবদগী থা অসিগী ২৩দা ওইনা ফিক্স তৌরগা খন্নখিবনি। লোয়ননা জষ্টিস মুরালি ধরন অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী দিভিজন বেঞ্চনা থা অসিগী ২৩দা ইন্টরিম ওর্দর অমগীদমক প্রেয়র তৌরকখিবা ৱাফমশিং অদুগী মতাংদা খন্নরগা পীখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না মরক্কী ওইবা ইন্টরিম ওর্দরদি কেস অসিগী হৌজিক লৈরিবা ষ্টেজ অসিগী মতুংইন্না পীররোই। অদুম ওইনমক ফাইনেল হিয়ারিংগীদমক মেট্টর অসি দিসেম্বর ১৬তা অমুক হন্না লিষ্ট তৌগদবনি হায়নসু খঙহনখি হায়না পনখি।

## এম ঐচ এনা অনৌবা গাইদলাইন ...

*লামায় ১গী মখা...* গাইদলাইন অসিগী মতুংইন্না ষ্টেটশিংনা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ লাকশিন্ননবা নাইট কর্ফিয়ু থম্বা, সোসল ইভেন্টশিংদা মীওই ১০০ য়ৌদনা পুলহনবা, ফেস মাস্ক উপ্পবশিং ফাইন থিহনবগা লোয়ননা এক্সন লৌখৎপনচিংবা থবকশিং অয়াবা পীখ্রে। অদুবু লোকদাউন তৌগে হায়রবদি সেন্টরগী অয়াবা মাঙজৌননা লৌগদবনি হায়নসু খঙহনখ্রে।

# নুপা ১ নোংমৈনা কাপ্তুনা হাংলপ্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (ঐচএনএস): নোনে দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নুংবা সব দিভিজনদা কোনবা থিংঙৌ খুলদা নুপা অমা মশক খঙদবা মীওই খরনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাংলপ্লে হায়রি।

থৌদোক অসি ঙসি অয়ুক পুং ৮.৪০ রোম তারকপদা থিংঙৌ খুলগী মফম অমদা থোকখিবনি। লৈখিদ্রবা নুপা অদুগী মমিং মৈচিংনাল কামৈ (২৭) কৌই। মহাক থিংঙৌ খুলদা লৈবা রানিংলুংগী মচানুপানি। থৌদোক অদু খুলগী নিংথৌ খনবগী মতাংদা খরা য়েৎনরকপদগী থোরকপনি। থৌদোক থোকফম অদুদা এন জি ওশিংনা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

# দ্রগ লল্লোনবা মঙা দ্রগকা কোন্নবা ফারে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (ঐচএনএস): মণিপুরদা ময়াই কাবা চিঙ্গাক দ্রগ লল্লোনবা মীওই পুলিস অমদি সিক্যুরিটি ফোর্সনা লেপ্তুনা ফাগৎলবসু দ্রগ লল্লোনবশিংনা মণিপুরদা নারোন্দা দ্রগ পুশিল্লকপা লেপ্তুনা চথুরি।

ঙসি অয়ুক পুং ৫ রোম তাবদা বিষ্ণুপুর কম্মান্দো অমদি থৌবাল কম্মান্দোগী অপূনবা কাঙবুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী সঙ্গাইয়ুম্ফম নুংফৌ কৈথেল সলাং কৈথেলদা লৈবা এম দি ইবুঙো (৩৩) অপোকপা এম দি অমাদালিগী য়ুমদা থি-হুন্বা চথুবদা খামদুনা লৈবা সিলভর মচুগী নম্বর য়াওদবা আই-২০ গাড়ীগী চেসিস মনুংদা লোৎতুনা থম্লম্বা হেরোইন পাওদর গ্রাম ৬৫৮গা কোন্নবা ফারে। মহাক মখা তাবা থবক লৌখৎনবা থৌবাল পুলিস ষ্টেসন্দা খুৎশিন্নখ্রে।

ঙরাং নুমিদাং পুং ১০ রোম তাবা মতমদা বিষ্ণুপুর কম্মান্দো য়ুনিটনা দ্রগ লল্লোনবা অমা ক্বাক্তাগী ইন্টর ভিলেজ রোদকী মায়োংলৌ লমহাংদগী দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেটকা কোন্নবা মীওই অমা ফারে। মহাক্কী মমিং এম দি নোংয়াই য়াকিজুদ্দিন (৩৪) অপোকপা লৈখিদ্রবা এম দি অলনউদ্দিন কৌই। মহাক ক্বাক্তা ৱার্দ নম্বর ফোরদা লৈবনি। মঙোন্দগী দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট ৭০,০০০ ফারে। দ্রগশিং অদু ওটো আর ঈ (এম এন ০১/৩ সী ৮৬৫৬) অসিদা পুরগা লাকপদা ফাবনি। মহাক লোগী ওইবা থবকশিং লৌখৎনবা মোইরাং পুলিসতা খুৎশিন্নখ্রে।

নুমিৎ অসিগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ রোম তাবদা বিষ্ণুপুর কম্মান্দোনা কৈনৌ থোংখাদা লম্বীদা অচৎ অওকশিং চেক তৌবদা ইকোভেন (এম এন ০২বি/৪৩৪৬) অমা খামদুনা চেক তৌবদা নুপা অমা হেরোইন পাওদর গ্রাম ১৪০গা কোন্নবা ফারে। দ্রগকা কোন্নবা ফারবা নুপা অদুগী মমিং ফুন্দ্রেময়ুম অমু (৪৫) কৌই। মহাক লিলোং উশোইপোকপী হরাওরোক্তা লৈবনি। মহাক লিগেল এক্সন লৌখৎনবা বিষ্ণুপুর পুলিস ষ্টেসন্দা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

মরকসিদা থা অসিগী ২৪গী নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তাবদা নার্কোটিক সেল ইম্ফাল ইষ্ট, কম্মান্দোগী টিমনা থি-হুন্বা চথখ্রে। ইম্ফাল ইষ্ট কম্মান্দোগী টিমনা কৈখু অৱাং লৈকায়দগী নুপী অমা হেরোইন পাওদর গ্রাম ১৬কা কোন্নবা ফারে। ফারবা মীওই অদুগী মমিং এম দি হেমাজুদ্দিন (৩৪) অপোকপা এম দি জলানউদ্দিন কৌই হায়রি।

অতোপ্পা অমনা ঙরাং নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ রোম তাবদা মশক খঙদবা মীওই খরনা কোংবগী মণিপুর রুরেল বেঙ্ক মনাক্তগী খোঙনা দ্রগ পুদুনা লাকপা নুপা অমা ফারে। মহাক্কী মমিং এম দি অটাল রহমন (৪২) অপোকপা এম দি অলিমুদ্দিন কৌই। মহাক লিলোং হাওরৈবী তুরেল অহনবীদা লৈবনি। মঙোন্দগী হেরোইন পাওদর গ্রাম ১১৭ ফাগৎখ্রে হায়রি।

# গোবিন্দাগ্রাম অমদি ককময়াইদা এৱ্যারনেসকী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (ঐচএনএস): লমদম অসিদা কোভিদ-১৯গী ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদ লৈবাক মীয়ামদা খঙহন্নবগী পান্দমদা কোলিজন অগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (সী এ দি এ)না চৎথরকপা এৱ্যারনেসকী শরুক অমা ওইনা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচন্না লৈবা গোবিন্দাগ্রাম অৱাং লৈকায় প্লেগ্রাউন্দদা পুন্সি লমজিং অপুনবা নহারোল ক্লব (পি এল এ এন সী), ৱিমেন দিভলপমেন্ট এসোসিয়সন, গোবিন্দাগ্রাম অৱাং লৈকায় অমদি সী এ দি এ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা পুন্না খুৎশম্নদুনা এৱ্যারনেসকী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না সী এ দি এগী সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি খুন্দোংবম অনন্দনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

# লম্বী শেম্বগী থবকশিং য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস) : ৱাঙ্গৈই এ সীগী মনুং চন্না তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পায়খৎলিবা লম্বী শেম্বগী থবকশিং এগ্রিকলচর, ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি অমসুং টুরিজম মিনিষ্টর ও লুখোইনা হকথেংননা য়েংশিনখ্রে।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা মিনিষ্টর ও লুখোইনা হায়খি, ৱাঙ্গৈই এ সীগী মনুং চন্না লৈবা লম্বী কয়া বাই-ইলেক্সন মমাঙদা কোয়লাস থাননবা থবক পায়খৎপা হৌখি। অদুবু মীখলগী কোদ ওফ কন্দক্ট লৈখিবা অমদি কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইদুনা লোকদাউন থমদুনা লাকখিবনা মরম ওইদুনা লম্বীশিং অসি শেমজিনবগী থবক লেপ্তুনা লাকখিবনি। মরক্কী মীখল হেক লোইবগা থিয়াম লৈশাংখোংদগী লক্ষ্মী বজার ফাওরগা তোপ উপোকপী ফাওবগী কিলোমিটর ৭ মখায়রোম শাংবা লম্বী অসি কোয়লাস থাবা হৌরে। মখা তানা এ সী অসিগী তোঙান তোঙানবা লম্বীশিং কোয়লাস থাবগী থবকসু নোংজুথা লাক্লিঙৈদা মপুং ফানা পায়খৎননবা হোৎনরগনি। ৱাঙ্গৈই এ সীগী মীয়ামদা থমখিবা থাজবশিং খক মাঙহল্লোই। এ সী অসিদা চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎলকপদা মীয়াম্নসু তেংবাংবীয়ু হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ইরং থোং নৌনা পানখৎপগী...

*লামায় ১গী মখা...* হান্না লৈরম্বা থোং অদু তেক্নুনা তুরেলদা তাশিনখিবা টাটা টিপ্পর অদু লৌখৎননবা হোৎনবদা তৌখায়খিবা মফমশিং শেমজিন-শাজিল্লবদি অথুবা মতমদা নৌনা পানখৎলিবা ইরং থোং অসি গাড়ী লান্থোক-লানশিন তৌবা য়ারগনি হায়না থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবগী পাউগী লীখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

পাউচে অসিদা ইরংগী খুঞ্জা খরনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না হৌখিবা নবেম্বর ২৩দা থোং অসি নৌনা পানখৎপদা চঙগদবা মচাক-মথুমশিং য়ৌরকপদগী মথংগী নুমীৎতা এন ঐচ আই দি সী এলগী ওফিসলশিং, ইন্দিয়ন আর্মি অমদি ইরং খুলগী পাষ্টর গানচুলৈ কামৈ, ভিলেজ চ্যেরমেন রাংচু কামৈ অমদি ইরং খুলগী চর্চ লুচিংবশিং য়াওনা পুন্না থোং অসি নৌনা পানখৎলকপদা অশোয়-অঙাম থোক্তনবা থৌনিরবা মতুং থোং অসি পানখৎপগী থবক হৌরকখিবনি। হৌজিক থোং অসি শেম শাবগী থবক অয়াম্বা লোইরে। অথুবা মতমদা গাড়ী লান্থোক-লানশিন তৌবা য়াবগী ফীভমদা লৈরে।

ইরং থোং অসি বেল্লি ব্রিজ ওইনা শারবসু ষ্টেট অসিগী লাইফ লাইন ওইরিবা লম্বীদা লৈবনা মরম ওইরগা মতমগা চুনবা আর সী সীগী থোং অমা শাবগী তঙাইফদবদি লৈরি। মরমদি থোং অসিদা অরুম-অরুম্বা পোৎলম কয়া পুদুনা ট্রক, টিপ্পর অমদি তোঙান-তোঙানবা মখলগী গাড়ী কয়া লানদুনা চৎথোক চৎশিন তৌরিবনি। ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না তঙাইফদনা শীজিন্নগদবা পোৎলম কয়া মপান্দগী পুশিল্লকপা মতমদা অয়াম্বা গাড়ীশিং হৌখিবা মতমদা ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা চৎলম্বা অদু হৌজিক্তি ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা ওইনা লাক্লরে। মরম অদুনা তুং কোয়না চৎনবা য়াবা আর সী সীগী থোং অমা অথুবা মতমগী মনুংদা শাহন্নিংই। নেসনল হায়ৱে ৩৭কী লম্বী অসি পাকথোক চাউথোকপগী থবক অসিসু অথুবা মতমদা লোইশিনহন্দুনা অফবা লম্বী অমা ওইহল্লবদি ষ্টেট অসিগী ইকনমিদসু চাউনা মতেং পাংগনি। হৌজিক হৌজিকসু ইম্ফাল-জিরি লম্বী অসি মফম খরদদি ফরি, অদুগা মফম খরদনা লম্বীগী ফীভম কা হেন্না শোকচিন্না লৈবা মরম্না গাড়ী চৎথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি হায়নসু খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোরকখি।

# অপূনবা কেস মশীং ২৪,২৯২ ...

*লামায় ১গী মখা...* সেনাপতিদা ১, জিরিবামদা ৪, কাংপোকপীদা ২ অমসুং ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্সতা ১৫নি।

জেনরেল পোপ্যুলেসনগী পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অসি ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ৭৩, ইম্ফাল ইষ্টতগী ৪৩, থৌবালদগী ১১, বিষ্ণুপুরদগী ১১, ককচিংদগী ১, তমেংলোংদগী ৩, উখ্রুলদগী ২, চুড়াচান্দপুরগী ১, সেনাপতিদগী ২, চান্দেলদগী ২, তেংনৌপলদগী ৪, জিরিবামদগী ৪ অমসুং কাংপোকপীদগী ২ য়াওরি। পোজিটিভ ওইরবা মীওই খুদিংমক মণিপুরগী মপান্দা চৎলুদবা ঙাক্তনি। মীওইশিং অসি কোভিদ ক্যের ফেসিলিটিদা থমখিবগা লোয়ননা লৌখৎফম থোকপা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎখ্রে। কন্টেক্ট ট্রেসিংগী থবকসু চথুরি।

অনৌবা কেসশিং অসি থারগা মণিপুরগী ওইনা অপূনবা কেস মশীং অসি ২৪,২৯২ শুরে। কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২১,২২০ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ৩০৭২ নি। লায়না-লাইচৎ অসিদগী ফগৎলক্লবা অপূনবা কেস মশীংনা ২০,৭৯৮ শুরে। ফগৎলক্লবা কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ১৮,০৩৮ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ২৭৬০ নি। ফগৎলকপগী চাংনা চাদা ৮৫.৬১ ওইরি। অদুগা কেস ৩২৪৫ না এক্টিভ ওইরি। এক্টিভ কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ২৯৩৭ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ৩০৮ নি। লোয়ননা মীওই ১৫৮ সু নৌনা দিসচার্জ তৌখ্রে হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, এম জি এভেন্যুদা লৈবা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (এস বি আই) ইম্ফাল ব্রাঞ্চকী ইমপ্লোয়ী ১২ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রে। এস বি আইগী ইমপ্লোয়ী ১২ পোজিটিভ ওইবা থেংনখিবা অসিনা মরম ওইরগা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলকপা ওইনা এম জি এভেন্যুদা লৈবা এস বি আই ইম্ফাল ব্রাঞ্চকী ওফিস অসি পুং ৪৮গী থোঙ লোন্নবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এদিসনল দেপ্যুটি কম্মিস্নারনা ঙসি থোকখিবা ওর্দর অমনা খঙহনখ্রে।

# পঞ্চায়ট সেক্রেটরিনা ইমপ্লিমেন্ট তৌগদবা থবকশিংদগী...

*লামায় ১গী মখা...* ২০০৫গী সেক্সন-১৮গী মায়োক্তা জুলাই ২৪, ২০২০ দা থোকপা জোইন্ট সেক্রেটরি, আর দি এন্দ পি আরগী ওর্দরদা পঞ্চায়ট সেক্রেটরিশিংবু এম জি এন আর ঈ জি এস ইমপ্লিমেন্ট তৌহনবদা অয়াবা পীরে। ওর্দর অসি গ্রাম পঞ্চায়ট লেভেলদা এম জি এন আর ঈ জি এসপু ইমপ্লিমেন্ট তৌনবগীদমক গ্রাম রোজগড় সেৱক (জি আর এস)শিংদা এনত্রষ্ট তৌখিবা মাষ্টর সার্ক্যুলরগী মায়োক্তনি হায়নসু ৱাকৎখি।

লোয়ননা মণিপুর গ্রাম পঞ্চায়ট এন্দ জিলা পরিষদ (জেনরেল) রুল, ১৯৯৫গী সেক্সন-৩৭ অমসুং মণিপুর পঞ্চায়টি রাজ এক্ট, ১৯৯৪গী সেক্সন-৪৫গী মখাদা এপোইন্টমেন্ট পীখিবা পঞ্চায়ট সেক্রেটরিশিংনা এম জি এন আর ঈ জি এস ইমপ্লিমেন্ট তৌবগী থৌদাং লৈতে হায়নসু ফোঙদোকখি। মরম অসিনা কোর্টনা ৱাকৎশিং অসিগী মতাংদা খন্নবীরগা চপ চাবা ওর্দর অমা পীবীয়ু হায়জরকখিবনি। হায়কোর্টনা পিটিসন অসি লৌখৎলগা খন্নরকপদগী জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিনগী বেঞ্চতা অরোইবা হিয়রিং থা অসিগী হৌখিবা য়ুমশকৈশা (নবেম্বর ১৮, ২০২০) দা পাঙথোকখি।

কোর্টনা মেট্টর অসি খন্নরকপদা পিটিসনরশিংগী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল ঐচ এস পাওনমনা লেপখি। রেস্পোন্দেন্ট নম্বর-৫গী মায়কৈদনা সিনিয়র কাউন্সেল নামৈরাকপম জোটেন্দ্রোনা লেপখি। অদুগা ষ্টেট রেস্পোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদনা গভর্ণমেন্ট এদভোকেট এস নিরঞ্জননা লেপ্লগা য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদনা এসিষ্টেন্ট সোলিসিটর জেনরেল (এ এস জি) এস সুরেশনা লেপখি।

লোয়ননা নুমীৎ অসিদা রিজার্ভ তৌদুনা থম্লকখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরনা থা অসিগী ২৪দা লাউথোকখিবনি।

পুন্না লামায় ২৪ পানবা কোর্টকী জজমেন্ট অসিনা হায়বদা জোইন্ট সেক্রেটরি (আর দি এন্দ পি আর)না জুলাই ২৪, ২০২০দা থোকখিবা পঞ্চায়ট সেক্রেটরিশিংগী খুত্থাংদা ইমপ্লিমেন্ট তৌগদবনি হায়বা সেন্ট্রেল স্পোন্সর স্কিম/ষ্টেট স্পোন্সর স্কিমশিংগী মনুংদগী এম জি এন আর ঈ জি এস/সেন্ট্রেল ফাইনান্স কম্মিসন/ষ্টেট ফাইনান্স কম্মিসননচিংবদগী এম জি এন আর ঈ জি এস অসি ক্বাশ তৌরে হায়খি। অদুম ওইনমক জুলাই ২৪, ২০২০ দা থোকপা ওর্দরদা পনবা লেমহৌরিবা শরুকশিংদি চৎননবগীদমক লেংদনা লৈগনি হায়খি। লোয়ননা এম জি এন আর ঈ জি এসপু ইমপ্লিমেন্ট তৌনবগীদমক পঞ্চায়ট সেক্রেটরি অমসুং জি আর এসশিং নৎত্রগা মথৌ তাবা ষ্টাফশিং অমদি টেক্নিকেল সপোর্টশিংবু লোনা পীবা অয়াবগী মতুংইন্না গ্রাম পঞ্চায়টশিংনা এপ্রোপ্রিয়েট ইন্সত্রক্সনশিং ইস্যু তৌগদবনি হায়রি।

# ষ্টেট ইনষ্টিট্যুট ওফ হোটেল...

*লামায় ১গী মখা...* টেম্পল, কাইনা টেম্পল, খাঙবোক্তা লৈবা বংসিবুদোন টেম্পল, নিংথৌখোংদা লৈবা গোবিনাথ টেম্পল অমদি সগোলবন্দদা লৈবা বিজয় গোবিন্দজি টেম্পল শেমগৎ-শাগৎপগী থবকশিংসু য়েংশিনখি। য়েংশিন খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা মিনিষ্টর ও লুখোইনা হায়খি, মিনিষ্ট্রি ওফ টুরিজমগী মখাদা দিভলপমেন্ট ওফ স্পিরিচ্যুএল সার্ক্যুইট ইন মণিপুরগী প্রোজেক্ট অসি লুপা ক্রোর ৫৩.৭৯ চঙনা পায়খৎপনি। প্রোজেক্ট অসিগী মখাদা শেমগৎ-শাগৎপগী থবক অসি চাদা ৯০ রোম লোইশিল্লক্লে। মরম অসিনা চীফ মিনিষ্টরগা তান্নদুনা চহী অসিগী লোইশিল্লকপদা প্রোজেক্ট অসিগী মখাদা শেমগৎ-শাগৎলিবশিং অসি শঙ্গাননবা হোৎনরগনি। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী লীচিং মখাদা লৈঙাক অসিনা চীং-তম থোং মান্ননা চাউখৎননবা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংগী শরুক অমা ওইনা টুরিজম দিপার্টমেন্টকী মখাদা তোঙান-তোঙানবা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদসু প্রোজেক্ট কয়া অমা পায়খৎলি। প্রোজেক্টশিং অদুদি উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী কাংখুই কেভ টুরিজম, য়াংখুল্লেন্দা হেরিটেজ টুরিজম, সেনাপতিগী কোইদে জোদা ইকো টুরিজম পার্ক, শিরুই হিলসতা ইন্টিগ্রেটেদ টুরিষ্ট দিষ্টিনেসন, নোনে দিষ্ট্রিক্টতা ইকো টুরিজম কমপ্লেক্সনচিংবা শেমগৎ-শাগৎপগী থবকশিংনি। কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা চহী অসিগী ওইনদি সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লরোই হায়নসু মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা মণিপুর পুলিস হাউজিং কোর্পোরেসন (এম পি ঐচ সী) লিমিটেদকী মেনেজিং দিরেক্টর খৃষ্টোপর দোঙেল, টুরিজম দিরেক্টর দল্লিয়ু ইবোহল, বিল্ডিং দিভিজন নম্বর ৱানগী এগজিক্যুটিভ এঞ্জিনিয়র লাইরিকয়েংবম বিবেক রোয় অমদি ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

# জর্নেল সিংহনা এম য়ুগী এদমিনিষ্ট্রেটর ওইবদগী তোকচরগে...

*লামায় ১গী মখা...* পি আই এল নম্বর-৪৯ ওফ ২০১৮ অদুগা মরী লৈননা মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট (এদ্যুকেসন মিনিষ্ট্রি)না মিসেলিনস কেস অমা ফাইল তৌরকখিবনি।

মিসেলিনস কেস অসিগী নম্বর- এম সী (পি আই এল) নম্বর- ৫১ ওফ ২০২০নি। কেস অসিদা এম ঐচ আর দিগী মায়কৈদগী মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা মহৌশাগী ফীভম (নোর্মেলসি) হঞ্জিল্লক্লবনা মহৈকোল অসিগী ভাইস চাঞ্চেল্লরগী ওফিসকী থবকশিং পাঙথোক্ননবগীদমক প্রো-ভাইস চাঞ্চেল্লর/সিনিয়র মোষ্ট প্রোফেসর অমা হাপ্পদা অয়াবা পীবীয়ু হায়জরকখিবনি।

এম ঐচ আর দিনা ৱাফম অসিবু হায়জরকখিবা এপ্লিকেসন অদুগী মতুংইন্না মিসেলিনস কেস (পি আই এল) নম্বর-৫১ ওফ ২০২০ ওইনা লৌখৎলবা মেট্টর অসি ঙসি হায়কোর্টকী দিভিজন বেঞ্চ অসিনা মখা তানা মসিগী ৱায়েল চত্থনবগীদমক লিষ্ট তৌখি।

কোর্টনা মেট্টর অসি লৌখৎলকপদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ষ্টেন্দিং কাউন্সেল ওইরিবা সিনিয়র কাউন্সেল বি পি সাহু, এম ঐচ আর দিগী মায়কৈদা এসিষ্টেন্ট সোলিসিটর জেনরেল (এ এস জি) এস সুরেশ অমসুং পি আই এল অসিগী প্রাইভেট রেস্পোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র কাউন্সেল নামৈরাকপম জোটেন্দ্রোগী সবমিসনশিং কোর্টনা তাখি।

কাউন্সেলশিং অসিগী মনুংদগী সিনিয়র কাউন্সেল বি পি সাহুগী মায়কৈদগী কোর্ট অসিনা এপোইন্টমেন্ট পীখিবা এদমিনিষ্ট্রেটর জর্নেল সিংহনা মহাক্কী ইমুংদা অনাবা য়াওরকপা অমসুং মহাক মশাগী খুদোংচাদবশিংনা মরম ওইরদুনা মহাক্কী ফম অসিদগী ‘রিলিভ তৌবীনবা হায়জরক্লে’ হায়না কোর্টতা ফোঙদোকখি। মসিগী মতাংদা জর্নেল সিংহ মশানা হায়জরক্লে হায়নসু ফোঙদোকখি।

পাউচে অসিনা ফংবা পাউদদি, ৱাফম অসি এদমিনিষ্ট্রেটর জর্নেল সিংহনা অইবা চেরোল ওইনা এম য়ুগী ষ্টেন্দিং কাউন্সেলদা নুমীৎ খরনিগী মমাঙদা পীশিল্লকখিবনি হায়রি।

সিনিয়র কাউন্সেল বি পি সাহুগী ৱাফমসিনা তৌরক্লিবা প্রেয়র অসিদা দিভিজন বেঞ্চনা অয়াবা পীরদুনা জর্নেল সিংহবু এম য়ুগী এদমিনিষ্ট্রেটর ওইবদগী রিলিভ তৌরে অমসুং লোগী তঙাইফদবা ফোর্মেলিটিশিং মপুং ফানা লোয়শিল্লবা মতুংদা মহাক থা অসিগী ৩০দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি থাদোক্নুনা চৎপগী অয়াবা (পর্মিসন)সু পীরে হায়খি।

অদুগা এম সী (পি আই এল) অসিগীদমক এপ্লিকেসন ফাইল তৌরকখিবা এপ্লিকান্ট য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী এম ঐচ আর দি (এদ্যুকেসন মিনিষ্ট্রি)না হায়জরক্লিবনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ষ্টেটচুটসশিংগী মনুংদগী ষ্টেচুট ২(৬)কী মতুংইন্না মহৈকোল অসিগী ভি সীগী থবক থৌরমশিং পাঙথোক্নবগীদমক প্রো-ভি সী সিনিয়র মোষ্ট প্রোফেসর অমা এম য়ুগী ওথোরিটিশিংনা হাপ্পদা অয়াবা পীবীয়ু হায়জরকখিবনি হায়বা ৱাফমশিং নৌহৌননা নীংশিংখি।

লোয়ননা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা লৈখিবা তংদু-লৈতাদবা ফীভমশিং অদুগীদমক লৈবাক মীয়াম মরুওইনা মহৈকোলসিগী মহৈরোয়শিংগী ইন্টরেষ্টতা পি আই এল নম্বর- ৪৯ ওফ ২০১৮গী ইন্টরিম ওর্দর অদু কোর্টসিগী মে ২২, ২০১৯গী জজমেন্ট অমসুং ওর্দরনা ৱারেপ লৌখিবনি হায়বা ৱাফমশিং পনখি।

লোয়ননা হৌখিবা নুমীৎ খরনিদা লোকল পাউচেশিংদগী এদমিনিষ্ট্রেটর অসি মখা শাংথনা লৈহনবা পামদবগী মতাংদা মহৈরোয়শিংগী সেক্সন খরনা মীয়াম মাঙদা প্রোটেষ্ট তৌরে হায়বসু কোর্টনা খঙলে হায়খি।

অদুবু পি আই এল নম্বর- ৪৯ ওফ ২০১৮গী মতাংদা কোর্ট অসিনা মসিগী ৱারেপশিং লৌখ্রবনা এম ঐচ আর দিগী এপ্লিকেসন (এম সী-পি আই এল) অসিগা মরী লৈননা এম য়ুগী হৌজিক লৈরিবা ইস্যুশিং অসিগা মরী লৈননা মখা তাবা ওর্দর পীবগী মথৌ তাদ্রে হায়রদুনা কোর্টনা এপ্লিকেসন অসি দিস্পোজ তৌরে হায়খি।

অদুম ওইনমক, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী য়াইফনবগীদমক লোগী মতুংইন্না য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী এম ঐচ আর দি (এদ্যুকেসন মিনিষ্ট্রি), মণিপুর লৈঙাক অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনচিংবা ষ্টেক হোল্ডরশিংনা চপ চাবা থবকশিং লৌখৎপদদি কোর্টনা অয়াবা পীরে হায়খি।

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 87.973996 |
| US Dollar | 73.871141 |
| British Pound | 98.637680 |
| Australian Dollar | 54.401478 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.236264 |
| Japanese Yen | 0.708375 |
| Malaysian Ringgit | 18.161443 |
| Singapore Dollar | 55.198582 |
| South Korean Won | 0.066711 |
| Saudi Arabian Riyal | 19.698971 |
| Thai Baht | 2.439607 |
| Myanmar Kyat | 0.05644 |
| Bangladesh Taka | 0.87113 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 49083.00 |
| Mumbai | – | Rs | 48820.00 |
| Delhi | – | Rs | 48740.00 |
| Kolkata | – | Rs | 48920.00 |

## GAS NEWS

**M/S K&K INDANE SERVICE**
Booking upto sl.no.50 A&B of 14/10/2020
Valid from : 08/10/20
Time 7.30 to 11am

**MM GAS SERVICE**
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING : 8:00 AM TO 12:00 Noon
**BOOKING : 07.10.20**
VALID : 01.10.20
FOR ALL THANGMEIBAND, LAMPHEL 8131852580, 9774722106, 9089370369
FOR ALL WAHENGBAM LEIKAI, KEISHAMPAT, KEISHAMTHONG, KHAGEMPALLI, KWAKEITHEL, GHARI, SANGAIPROU, CHANGANGEI, MALOM, YAISKUL, SINGJAMEI, KAKWA, HEIRANGOITHONG, HAOBAM MARAK, PISHUM, MONGSANGEI, LANGTHABAL, SAGOLBAND, TAOBUNGKHOK, PATSOI, YUREMBAM, SAGOLTONGBA, LANGJING, SALAM, LANGOL URIPOK, SINGDA, LAMDENG, AKHAM, MAYANG LANGJING 8131942156, 7630902992, 7627968997
FOR IMPHAL EAST AREA 7005281388, 6009885600
FOR OTHERS AREA 9612009063, 9862792731 7628094160
DELIVERY WITHIN 3 DAYS

**LAMSANG GAS AGENCY**
(Home Delivery only)
**Booking upto : 20/09/20**
Valid : 20/08/20
Timing 8am to12am
Home Delivery contact no 8730087936. (Within 2 or 3 days delivery)
Please submit Consumer latest mobile number.

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 22/09/2020
**BOOKING UPTO: 28/09/2020**
BOOKING ONLY: 03852444677
ENQUIRY ONLY: 9436280866
TIMING : 8:00AM to 12:00PM

**KHUMBONG INDANE**
Booking upto : 21-09-20
Only home delivery ( within 3 days )
Contact no. 7005771527
Office no. 9774068549
Whatsapp no. 8794973019
Time : 7.30am to 10.am

**IMPHAL LPG SERVICE**
Home Delivery
**Booking : 23/11/20**
Summit house no. LPG ID no Address with land mark also digital transaction and online payment encouraged
5.kg 19.kg available
Enquiry numbers 6009392991 8014389420, 9612718751
Enquiry time 8.30 to 1.pm
Please do not contact driver and handy man except office no i.e. office no

**M/S MISAO GAS SERVICE**
ONLY HOME DELIVERY
Booking Upto 14.2kg-12/11/2020
Valid from-18/10/2020
***19kg Available
For delivery service
Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM.

**MANIPUR GAS SERVICE**
**Booking up to : 28/10/2020**
Valid from : 08/10/2020
Home Delivery Only....
Contact no : 8730954041, 8259969582
Office Timing: 8 am to 12.00noon
Note:- DELIVERY TIME WILL TAKE 4 DAYS

**HIYANGTHANG IDANE**
**Booking : 21-09-20**
Valid :19-09-20. Only home del. Cont.no. 7005934398 7629076494. 7005791014
Wachap no. 7085557686
Office no. 6381538861
Timing 7.a.m.to 11.a.m.

**JRONGMEI SK INDANE WANGOI**
Booking upto : 30/8/20
Valid from : 25/8/20.
Stk : 306
Timing : 6am to 9am.
Home Delivery (Contact no. 6909963855/8119073029)



HL/B/6494/1 to 29 Nov. alt.